**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-05-2024)**

**মেট(এল)** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনিদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং নোনে জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা জিলাশিং অসি ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং নোনেদা ঙসি পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা অকনবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই। হয়েংনা মনিপুর পুম্বদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং অমদি পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাংদা অকনবা নুংশি শিৎলবা য়াই হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টনা মখা তানা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ-রিমাল ঙসি অহিং নোংয়াইদা বঙ্গলাদেস অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী সমুদ্র খোঙবানলোমদা চংশিল্লকপা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা নোংচুপ বঙ্গাল, অৱাং থংবা উরিষ্যাগী সমুদ্র খোঙবান অমদি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অকনবা নোং চুগনি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংদুনা নেসনেল ক্রাসিস মেনেজমেন্ট কমিতিগী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা রাজ্যশিংদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ঙামীশিং সমুদ্রদা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী চেকশিন থৌরাং ওইনা কোলকাতা ইয়ারপোর্ট ঙসি নুমিৎয়ুংবদগী হয়েং পুং অয়ুক পুং ৯ ফাওবা থিংজিনখ্রে।

**ভোট(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লোক সভা মীখল ২০২৪ গী ভোট মশিং থিনবগী শেম শাবা লোইরে।

ঙরাং পাউমীশিংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার টি.ঐচ. কিরন কুমারনা হায়-লাক্লিবা জন্ ৪ গী অয়ুক পুং ৮ দগী ভোট

মশিং থীবা হৌগনি। নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ৬ মখায় চপ চানা ষ্ট্রোং রুম হাংদোক্কনি। মহাকা হায়-পুন্না পোষ্টেল বেল্লোট লিশিং ৫,৫৪৫ ফংখি। অদগা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ত্রান্সমিতেদ পোষ্টেল বেল্লোট সিষ্টেমনা লিশিং ৫,৪৭৪ ওইখি। পোষ্টেল বেল্লোটশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি কমপ্লেক্সতা খক্তা মশিং থিগনি।

রির্টনিং ওফিসারনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা পুন্না কাউন্টিং হোল ৯ লৈগনি। মহাকা হায়-ভোট মশিং থিবা অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংনা খুদক খুদক্কী ওইবা মীখলগী ফল খঙননবা অখন্নবা মফম অমা শেমদুনা থমলে।

লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাগী ওইনা মাইক্রো ওবজাভর ১১, কাউন্টিং সুপরভাইজর ১১, কাউন্টিং এসিষ্টেন্ট ১১ হাপলে। হায়রিবা ওফিসারশিং অসি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ত্রেন্নিংগীদমক রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

**মীখল ঃ** লোক সভা মীখলগী তরুকশুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৬১.০১ ওইখি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা তৌনখি।

মীখল পাঙথোকখিবা রাজ্য তরুক অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি- উত্তর প্রদেসকী সিট ১৪, হরিয়ানাগী ১০, বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৮-৮, দিল্লিগী সিট ৭ মক, উরিষ্যাগী তরুক, ঝরখন্দগী মরি অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী সিট অমনি।

নোংচুপ বেঙ্গোলদা চাদা ৭৯.৩০ থাদদুনা খ্বাইদগী ৱাংনা ভোট থাদনখি। ঝরখন্দদা চাদা ৬৩.৭৬, উরিষ্যাদা চাদা ৬৯.৩২, হরিয়ানাদা চাদা ৫৯.৬৩, বিহারদা চাদা ৫৫.২৪, জম্মু কাশ্মিরদা চাদা ৫৪.০৬, দিল্লিদা চাদা ৫৭,৬৭, উত্তর প্রদেসতা চাদা ৫৪.০৩ নি। তাঙ্কক অসিদা ভোটর কোতি ১১ রোমনা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১১৪ দা ভোট থাদনখি।

অমরোমদা, তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী মিজাপুর, গোসি অমসুং বান্সগাউদা মীয়ামগী মীতিনশিংদা শরুক য়াগনি।

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু বিহার অমসুং পঞ্জাবকী তোঙান তোঙানবা রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হিমাচল প্রদেসকী উনা অমসুং নহানদা ভোট খোমগনি। আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অমদি দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱালসু পঞ্জাবকী ভতিনদা সহরদা মীয়ামগী রেল্লি অমদা শরুক য়াগনি।

**রাজকোট ঃ** গুজরাটকী রাজকোটতা লৈবা গেম শান্নফম অমা মৈ চাক্লকপদা অঙাং ৯ য়াওনা মীওই ২৭ লৈখিদ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল অথেংবদা টি.আর.পি. গেম জোনদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, হকশেল মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়া, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনচিংবনা থৌদোক অসিগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। গুজরাটকী দি.জি.পিনা মফম অদুদা হকথেংননা চৎত্না য়েংশিনখ্রে। নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেট য়াওদনা হাংবা গেমস শান্নফম পুমমক খুদক্তগী থিংজিনখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা গুজরাট সরকারনা মীওই মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-ভুপেন্দ্র ভাই পতেলনা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা লুপা লাক মরি-মরিগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি অদুগা শোক্লবশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**ছাতিসগর ঃ** ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাগী বাস্তর লমদমদা মাওইষ্ট ৩৩, ঙরাং সরকারদা খুৎলায়গা লোয়ননা চংজরকখ্রে।

সি.আর.পি.এফকী দি.আই.জি. অমসুং জিলা অদুগী এস.পিগী মখোয় ৩৩ অদু চংজরকখিবনি। রাজ্য সরকারনা মীওই অহুমদা লাখ মঙা-মঙা অমদি অতোপ্পা মীওইশিং অদুদা লুপা লিশিং ২৫-২৫ গী ইন্সেন্টিব পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, ছাতিসগরগী বেনেতারা জিলাদা লৈবা ফেক্তরি অমা পোকখায়রকপদা মীওই অমা শিরে, তরুকা অশোক অপন নংলে। ফেক্তরি অসি বেরলা দিবলপমেন্ট ব্লোক্কী পিরদা খুঙ্গংদা লৈবনি। রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-বিষ্ণু দেব সাইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মেজিষ্ট্রেয়েল ইনক্বারি তৌননবা হুকুম অমা থোকখ্রে। রাজ্য সরকারনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ মঙা অমদি অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**অফগানিস্তান** ঃ অফগানিস্তানগী ফরয়াগ অমসুং মসিগা থংনবা শারিফুল প্রোভিন্সতা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা ঈশিং ঈচাওগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ১৭ শুখ্রে।

সরকারগী পাউনা হায়-ফরয়াগ প্রোভিন্সতা ঙরাং মীওই ১২ লৈখিদ্রে অমদি ১৩ না অশোক অপন নংলে। অদুগা শারিফুল প্রোভিন্সতনা নুপী মরি অমসুং অঙাং অমা লৈখিদ্রে।

**ফূটবোল (এল)ঃ** এ.আই.এফ.এফ. অন্দর সভেন্টিন য়ুথ লিগকী তাইতল লৌরকখ্রবা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীব্ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লিগ অসিদা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীনা অনিরক হন্না চেম্পিয়ন ওইরকপা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি। ফুটবোল মশান্নদা মখা তানা হেন্না মায়

পাকপা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

ঙরাং গৰাগী নগাউ পঞ্চায়ট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীনা সুদেব দিল্লি এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা তাইতল অসি লৌখিবনি।

**স্পোর্টস** ঃ জপানগী কোবেদা চত্থরিবা পেরা এঠলেটিক্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী টিমনা ঙরাং সনাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌদুনা পুন্না তকমান ১৭ ফংদুনা ইতিহাস শেমখ্রে।

শিমরন শর্ম্মনা নুপীগী মিটর ২০০ গী টি টুয়েল্ব কেটেগোরিদা সনাগী তকমান লৌখি। অদুগা প্রিতি পালনা নুপীগা মিটর ১০০ গী টি. থারতিফাইব কেটেগোরি অমসুং নবদিপনা নুপাগী জেল্লিন থ্রোগী এফ-ফোরটিৱান কেটেগোরিদা শেঞ্জেংগী তকমান অমমম লৌখিবনি।

**বেদমিন্টন** ঃ ওলিম্পিক গেমসতা অনিরক মেদল লৌখ্রবা ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই-পি.ভি. শিন্ধু, মালেসিয়াগী কোলারামপুরদা চত্থরিবা মালেসিয়া মাস্তরগী নুপীগী সিঙ্গল ফাইনেল চংলে।

শিন্ধুনা থাইলেন্দগী বুসানন্দ ওংবামরু ফন্দবু ১৩-২১, ২১-১৬, ২১-১২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা-কে. মোলনোমদা রাজ্য সরকারগী অয়াবা য়াওদনা থোং শারকপদগী মুকরকপা, জন্ মরিদা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিনবা শেম শাবা অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি

কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিংদা পোপরতি টেক্স থিবা হৌখ্রে হায়বা পাউশিংনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-অয়াবা য়াওদনা শাবা থোং য়েংবা চৎলুবা লৈঙাক্কী মীওইশিং চংহল্লকখিদ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিনবা শেম শাবা লোয়রে হায়বা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার-টি.ঐচ. কিরনকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ভোট থিবদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি মথাং অহুম লৈগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি.সি. কে.এস.ঐচ. শিবকান্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-আই.এম.সিগী এরিয়াদা অহানবা ওহনা প্রোপরতি টেক্স থিবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপল ক্রোনিকলদা-মনিপুরদা হাইব্রিদ ওরকিত মখল অনি নৌনা পুথোকখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদসু ফোংবা থেংনরে।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা-শকখঙদবশিংনা ফাখিবা অসামি অমা নোংমৈ কাপ্তুনা হুন্দোক্লম্লে অমা থিবা খঙদ্রি হায়বা পাউ, অহানবা লামাইদা ফোংলি। পোকফম পাউচেদনা-নন-মনিপুরি অমা মখোঙদা কাপ্লম্লে, নুপী রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-মনিপুরদা চহী নৌরিবশিংদসু ব্রেষ্ট কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজ পাউচেদা-ইম্ফাল মনুংদা এক্সটোর্সনগী চাং হান্নদগী য়ামা হেনগৎলে, শেল খায়রিবশিং অসি অয়াম্বনা লন্নাই ওইনা খায়বসু য়াওরি হায়না মনিপুর পুলিসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।